## Important Phone Nos.

| | |
|---|---|
| RIMS | 2414478 |
| J.N. Hospital | 2450385 |
| DG Control | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | |
|---|---|
| Imphal | 101 |
| Moirang | 8415925197 |
| Churachandpur | 8415925191 |
| Thoubal | 8415925203 |
| Kakching | 8415925194 |
| Jiribam | 8415925193 |
| Mayang Imphal | 8415925196 |
| Bishnupur | 8415925190 |
| Moreh | 8415925198 |
| Kangpokpi | 8415925195 |
| Ukhrul | 8415925205 |
| Senapati | 8415925199 |
| Chandel | 8415925192 |
| Singhat | 8415925201 |
| Sugnu | 8415925202 |
| Yairipok | 8415925206 |

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 85.244453 |
| US Dollar | 76.032202 |
| British Pound | 94.322918 |
| Australian Dollar | 52.331379 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.746707 |
| Japanese Yen | 0.711057 |
| Malaysian Ringgit | 17.764688 |
| Singapore Dollar | 54.507808 |
| South Korean Won | 0.062630 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.275254 |
| Thai Baht | 2.455554 |
| Myanmar Kyat | 0.05458 |
| Bangladesh Taka | 0.89449 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47741.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48018.00 |
| Delhi | – | Rs | 47848.00 |
| Kolkata | – | Rs | 47528.00 |

## GAS NEWS

**ASHANGBI INDANE SUGNU**
**Booking Upto :** 07/05/2020
**Valid From :** 01/05/2020
**Stk :** 306
*Only home delivery Call to* 7629966437 from 8.00 a.m to 2.00 p.m

**HRANGCHAL GAS AGENCY OLD LAMBULANE**
**Booking Upto :** 13/05/2020
**Valid From :** 05/05/2020
**Booking Only :** 03852444677
**Enquiry Only :** 9436280866
***(HOME DELIVERY ONLY)***

**JEMON GAS SINGJAMEI CHINGAMATHAK**
**Booking Upto :** 04/04/2020
**Valid From :** 05/03/2020
**Stock :** 306
**Time :** 08:00 am to 11:00 am
Home Delivery Contact only for Whatapp
Whatsapp No. 9436039984
Gas Booking counter Open at Singjamei Chingamathak

**M/s K&K INDANE SERVICE**
**Booking Upto Sl. No.**150 A & B dt 30/05/2020
**Valid From :** 23/05/2020
**Time :** 7.30 am to 11.00 am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
**Time :** 8.00 am to 12.00 noon

**KHONGNANG GAS AGENCY BISHNUPUR**
**Booking Upto :** 04/04/2020
**Valid from :** 02/04/2020
Please contact mobile Nos. 7085412234/7085412126
**Time :** 7:30am to 10:30am

**LAMSANG GAS AGENCY**
**Booking Upto :** 10/05/2020
**Valid From :** 30/04/2020
**Timing :** 8.00am to12.00noon
Home Delivery contact No 8730087936
Please submit Consumer latest mobile number.
***HOME DELIVERY ONLY***

**MAIBIA GAS MOIRANG**
**Booking Upto :** 23/04/2020
**Valid From :** 18/04/2020
**Stock :** 306
**HOME DELIVERY SERVICE CONTACT NOS.**
1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C).
2.AJAY-7005667570 (THANGA A/C),
3.ROJEN-8787381746 (KUMBI A/C)
**BOOKING CONTACT NO. :** 7085972248
**Timing-** 8:00am to 12:00noon

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking Upto :** 19/05/2020
**Valid From :** 19/04/2020
***HOME DELIVERY ONLY***
**Contact Nos.** 8730954041, 8259969582
**Call Timing:** 7.30am-11.00am

**MISAO GAS SERVICE**
**Booking Upto :** 29/05/2020
**Valid From :** 11/05/2020
**For delivery service Please contact -** 7085738631or 8119967523
**Call Timing:**8:00am to 2:00pm
**ONLY HOME DELIVERY**

**KHUMBOONG INDANE**
**Booking Upto :** 20/05/2020
**Valid From :** 15/05/2020
**Home delivery Contact No. :** 7005771527, 9774679422
**Time :** 7.30am to 10.00am

**LOKTAK INDANE GRAMIN VITRAK**
**Booking Upto :** 20/05/20
**Valid from :** 06/05/20
**Stock :** Nil
**Timing:** 08:00am to 11:00am
***HOME DELIVERY ONLY***
**Please Contact :** 7628026040, 9378112903

**TANGLEI GAS OINAM**
**Booking Upto :** 16/05/2020
**Valid From :** 13/05/2020
**Stock :** 612
**Timing :** 7.00am to 10.00am
*19kg Stock Available*

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
**Booking Upto :** 05/05/2020
**Valid From :** 04/05/2020
**Stk :** 306
**Timing :** 6.00am to 9.00am
***ONLY HOME DELIVERY***

# ‘সেকমাই বরাজদগী লৌমীশিংদা ঈশিং পীবীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : ককচিং ৱাইরি অৱাং লৌকোল অমদি মান্তক লৌকোলদা সেংমাই তুরেলগী মথক্তা শাবা সেকমাই বরাজদগী ঈশিং লৌদুনা লৌউ-শিংউ তৌনবা হোৎনবদা বরাজগী গেট ফাৎতোকখিবনা লৌমীশিংদা খোয়রাং খোয়শাওনহল্লে। মসিনা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই, লৌমীশিংদা ঈশিং পীবীয়ু হায়না ককচিং ৱাইরি অৱাং লৌকোল অমসুং মান্তক লৌকোল দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম ব্রোজেননা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবদা ব্রোজেননা হায়খি, সেকমাই বরাজ অসি শানবা হোৎনবদা ককচিংগী মীয়ামগী লম কয়া মাঙখ্রবনি। ৱানা হোৎনখ্রগা ঙসি ককচিং ৱাইরি অৱাং লৌকোল অমদি মান্তক লৌকোলদা লৌউ-শিংউ তৌনবা খা-মণিপুর কোলেজগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৌমী মীয়াম্না লৌখোং তৌদুনা সেকমাই বরাজ থিঙ্গৎপগী অহেনবা ঈশিং অদু লৌদুনা লৌ উনবা লৌমীশিংনা চহী কয়া হোৎনদুনা লাক্লি। ঈশিং লৌনবগীদমক আই এফ সী দি হৌজিক্লা ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টতা লৌমীশিংনা মতম-মতমগী টেক্স থিদুনা লাক্লি। চহী ১/২ অসিদি ঈকং থোকখিবগা টেক্স লৌবসু লাকখিদ্রে। কোরোনাভাইরসকা মরী লৈননা লোকদাউন চথ্থখিবদগী খম-থেংনা ৱানরিবা মতম অসিদা লৌমীশিংনা লৌ পালহৌদবা য়াদে খন্না সেকমাই বরাজ থিঙ্গৎলকপগী অহেনবা ঈশিং অদু লৌদুনা লৌ পান্নবা হোৎনরি।

চৈরক অসিদা, সেকমাই বরাজগী গেট অসি অমুক ফাৎতোকখ্রে। মসিগী মতাংদা লৌমীশিংনা ঙসি সেকমাই বরাজদা চৎতুনা মখোয়গী ষ্টাফশিং উনরুবদা দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা এঞ্জিনিয়রদা ঈশিংগী লেভেল অসি বরাজগী গেটতগী ইঞ্চি ৪ য়ৌরমদাইদা খুদোংথিনিংঙাইগী থাকনি হায়রিবা লেভেল অদু য়ৌরবদি বরাজগী গেট অসি ফাৎতোক্কদবনি হায়না মথক থোংবশিংগী পাউতাক লৈবদগী ফাৎতোকপনি হায়না ফোঙদোরকখি। মফম খরখক্কী ওইরগদি অমুক হন্না বরাজগী গেট অসি থিংবীরগনু। লৌমী মীয়ামগী ওইরগদি ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা মমুৎ তানা খন্থরগা য়েংশিনবীয়ু। লৌমী মীয়াম্না ঈহৌ চঙশিল্লক্তুনা অকায়-অতোয় থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। সেকমাই বরাজগী কান্নবা ফংহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## চান-থক্পবা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোমদা নেলসন ব্রিক ইন্দষ্ট্রিগী প্রোপ্রাইটরনা চান-থক্পবা পোৎলম মতেং পাংখ্রে।

নেলসন ব্রিক ইন্দষ্ট্রি মাক্লং রোদ সাপম মমাঙ লৈকায়গী প্রোপ্রাইটর লাইরেঞ্জম নোরেননা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লোকদাউন তৌবদগী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ অসিদা পরিং নাইনা চথ্থরকপা তেংবাংগী শরুক অমা ওইনা তেংবাং পোৎলমশিং অদু পীখিবনি। মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল মণিপুর সিনিয়র সিটিজন ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না চলাইবা ওল্ড এজ হোমদা ঙসিসু চান-থক্পবা পোৎলম মতেং পাংখি। চেঙ বেগ ৫, আলু বেগ ১ অমদি ফিরোলনচিংবা পোৎলম কয়াসু পীখি। মমাঙদা তেরাদা লৈবা চিলড্রেন হোমদসু মতেং পাংবা লৈখ্রে।

# দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়না হায় কোর্টতা পি আই এল থাখ্রে, কন্টেম্প কেসসু তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা যুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়না মণিপুর হায় কোর্টতা পি আই এল থাখ্রে। কন্টেম্প কেসসু তৌখ্রে হায়না ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা ইপসাগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা জয়চন্দ্রনা হায়খি, দিলিমিটেসন তৌবদা অচুম্বদা যুম্ফম ওইরগা তৌগদবনি। আধার লিঙ্ক তৌরবা মতুংদা দিলিমিটেসনগী থবক তৌসি। দিলিমিটেসন এক্টকী মখাদা কম্মিসনসু লিংখৎখি। কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা যুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌনবা পায়খৎলকখি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দিলিমিটেসন তৌনবা ওর্দর থোকখি। কম্মিসন অসিদা এসোসিএট মেম্বর ওইনবা মীহুৎ থারকউ হায়বদগী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীহুৎশিং থাখ্রে। ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র, পান্দমগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নামচা দিলিপকুমার, ইপাক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট জোসিকান্তা, অকোম লূপকী প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ সঞ্জিৎ সোরাইশম অমদি কে এস এগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চেতননা পুন্না পিটিসনর ওইদুনা হায় কোর্টতা পি আই এল থাখি।

কে এস এ অমদি ইপসানা পিটিসনর ওইদুনা অতোপ্পা পি আই এল অমসু ফাইল তৌরগা কোর্ট অসিনা এদমিট তৌখ্রে। কুমজা ২০০১গী সেন্সস অসি চৎনবা য়ারোইদবা অরানবা দেটানি। প্লান্নিং কয়াদা অমদি স্কিম কয়াদা অসিগুম্বা রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা পায়খৎকদবা মরম্না দেটা অসি য়াম্না মরুওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পান্দমগী প্রসিদেন্ট দিলিপকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রকপা অসিগী মায়োক্তা পি আই এল থাবনি। কুমজা ২০০৫কী সেপ্টেম্বর ২১ দসু ষ্টেট কেবিনেটতা পুথোক্তুনা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়না পাস তৌখিবা লৈরবনি। মরী লৈনবা দিলিমিটেসন কম্মিসন অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তসু তকশিনগদবনি। চুম্না মীকোক থিবীয়ু। মসিগী রিপোর্ট লাক্ত্রিবা ফাওবগী ওইনা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ফ্লাইট ১দা পেসেঞ্জর ১১১ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী পেসেঞ্জর ১১১ রোম ঙসি এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ ফ্লাইটতা পুরক্তুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া ফ্লাসট অসিদা দিল্লিদগী পেসেঞ্জর নুপা ৭৬, নুপী ২৭ অমদি অঙাং ৮ য়াওনা পূন্না মীওই ১১১ রোম ইম্ফাদা পুশিল্লকখি। নুংথিলগী পুং ৩ রোম তাবদা ফ্লাইট অসিনা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর নুপা ৭৭, নুপী তরেৎ অমদি অঙাং অমা য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ৮৫ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

ফ্লাইট অসিদা মণিপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা য়ু এস এ মচা মরিসু য়াওখি। ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা স্পাইস জেট এস জি - ৭৭১১ কার্গো ফ্লাসট অমসু কোলকটাদগী ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিদা ঙা, ঙাগী মচিঞ্জাক য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম য়াওনা পূন্না কেজি ১৮০০ রোমগী পোৎ চৈ পুরকখি।

ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখিবা পেসেঞ্জর ১১১ অদু এয়রপোর্টতা স্কেনিং তৌরবা মতুংদা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসশিংদা পুরগা ঘড়ীগী ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মতুংদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীওইশিংনা মখোয় মশাগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা অমুক পুরগা চৎনখি হায়রি।

## লোইশিনবগী থৌরম

ইম্ফাল, জুন ২২ : রাজশ্রি ভগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙরাংদগী চথ্থরকপা রাজশ্রি ভগ্যচন্দ্রগী পোকপা নুমীৎকী থৌরম অদু থা অসিগী ২৬তা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি। লোইশিনবা নুমীৎতা নৱাকোন চিলড্রেন হোমদা চূড়াকরনগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২১দগী হৌরগা ২৬ ফাওবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থৌরম পরেং চথ্থনবা শেম-শারি। লৈ-শু কৎপা য়াওনা পোকপা নুমীৎকী থৌরম অসি পরিং নাইনা চথ্থবনি হায়রি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ : ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২০ দা ৬শুবা পোজিসন তাখ্রবী ক্বাকৈথেলদগী কোন্থৌজম উমাকান্তগী মচানুপী জেসিকা কোন্থৌজমবু এল আই সী, সঙাইপ্রৌ ব্রাঞ্চনা তরাম্না ওকখ্রে। এল আই সীগী ব্রাঞ্চ মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এল আই সী ওফ ইন্দিয়াদা সিটিজনশিংগীদমক ইন্স্যুরেন্স প্লান মখল কয়া লৈ। মসিগী মনুংদা মনি বেগ, চিলড্রেন প্লান, হেল্প প্লান, পেন্সন প্লাননচিংবা কয়া অমসু য়াওরি হায়নসু মখা তারি।

## বি জে পিগী লুচিংবা লাকপদা ক্বারন্টিন...

*লামায় ১গী মখা...* ত্বিটরদা অরানবা ৱাফম কয়া থাদোরকপসি লাইবক থীবনি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা অনী অসি ক্বারন্টিন তৌবগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোকপা ৱাফমশিং অদু যুম্ফম য়াওদবা ঙাক্তনি। চৎন-কাঙলোন ঙাক্না ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈজবনি। এম পি সী সীনা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্না চৎলি। বি জে পিগী লুচিংবশিং লাকপা মতমদদি ক্বারন্টিনসু তৌদে। মসি মখোয়গীদমক তোঙানবা চৎন-কাঙলোন শেম্না। সী এমগী এদভাইজর রাজথ ছেথিসু লাক্লমখি। মদুদসু ক্বারন্টিনগী প্রোটোকোল ঙাকখিদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## পুলিস কম্মান্দোদা বাইক খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লো এন্দ ওর্দর ঙাক শেন্দুনা থম্বদা শীজিন্নবা বাইক ২ অমদি হেলমেট ৪ ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা কম্মান্দো মোবাইল পেট্রোলিং টিমদা খুৎশিন্নখ্রে।

এস পি ওফিস ককচিংদা পাঙথোকপা ঙসিগী বাইক খুৎশিন্নবা অদুগা মরী লৈননা এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দোদা শীন্নরিবা বাইক অনী অসি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী হান্না লৈজবা বাইক অমা রিপ্যারিং তৌদুনা অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ৱেলফেয়র ফন্দদগী অমা পুথোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক শেন্দুনা থম্বদা কম্মান্দোশিংনা মোবাইল পেট্রোলিং চৎপদা শীজিন্নবা শীন্নবনি। অদুগা ঙসি পীরিবা হেলমেট মরি অসিনা ককচিংগী রোয়ল ইনফিল্ড শোরুমগী মপু নাওরেম শরতকুমারনা মতেং পাংবীরকপনি। অসিগুম্বা লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌবদা পুলিস অমদি পব্লিক অনীগী মরক্তা রিলেসন থম্বীদুনা মতেং পাংবীরকপা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

বাইক অমদি হেলমেট খুৎশিন্নবা অদুদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল এস পি (ওপস) কে এস ঐচ মনিহার, এদিসনল এস পি (এল ও) এ রোমেন্দ্রো অমদি কম্মান্দো ও সী টিকেন মৈতৈসু শরুক য়াখি।

## লেপখিবা ফিরেপ হোংবা লৈতে...

*লামায় ১গী মখা...* অসিগুম্বা লৈঙাক অসিদা মখা তানা লৈরবদি থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙম্লরোই হায়না লাকপনি। লৈঙাক অসিদা থাজবা লৈত্রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ৱা ঙাংলদুনা তৃণমুল কোংগ্রেস মণিপুরগী ৱাঙাংলোয় ডা. ইনাওচানা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা তৃণমুলগী এম এল এবু লৈঙাক অসিনা নীংথিনা মীৎয়েং চঙবীদবা অমদি খুদক্তা সস্পেন্দ তৌরকপসি য়ানিংদে। এম এল এ মশাদা ৱাহং-পাউহং অমত্তা তৌদনা খুদক্তা সস্পেন্দ তৌবসি লাইবক থীবনি। কোর্টতা চৎতুনা থেংনগনি। এম এল এ ওইনা হিঙ্গৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। এস পি এফতা কনফিদেন্স থল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৫ য়াওনা মীওই ৫৭...

*লামায় ১গী মখা...* ডোক্টর অনী অমসুং নর্স মতৌ করম্না লায়না অসি চঙলকপনো হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লনবা কন্না হোৎনরি। দিলিজেন্ট হায় স্কুল মোইরাংদা হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওই ৩৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী হৌখিবা জুন ৮দগী হৌনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি কোভিদ-১৯ আইসোলেসন ৱার্দ ওন্থোকখিবনি। নুমীৎ অসিদগী হৌরগা জুন ১৫ ফাওবা ডোক্টর মরি অমসুং নর্স মঙা দ্যুটি তৌবনি। অদুগা জুন ১৫দগী অতোপ্পা টিম অমদা অমুক শিন্নখিবনি। হৌজিক পোজিটিভ ওইরিবা ডোক্টর অনী অমদি নর্স অমা অসি জুন ৮ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা দ্যুটি তৌখিবা ঙাক্তনি। জুন ১৫দগী অতোপ্পা টিম অমদা দ্যুটি পাঙথোকহনখ্রবা মতুংদা মখোয়শিং অসি হোস্পিটাল অসিদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈবনি। অদুগা জুন ১৮দা মখোয়গী সেম্পল লৌখ্রগা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট লাকখি। মদুদা ডোক্টর অনী অমসুং নর্স অমা পোজিটিভ ওইরে হায়বা কনফর্ম তৌখিবনি। হৌজিক মখোয় অহুম রিমসতা মখা তানা লায়েংনবগীদমক পুখ্রে।

ডোক্টর অনী অমসুং নর্স অমা অসিদা মতৌ করম্না কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন তৌরকখিবনো, মসি হোস্পিটালগী ক্যের ফেসিলিটিদা অহোবা লৈরব্রা নৎত্রগা মপান্দগী অতোপ্পশিংগা কন্টেক্ট তৌবদগীরা হায়বসি খঙদোক্লবা চপ চানা হোৎনরি। মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তসু পোজিটিভ ওইবা য়াওব্রা হায়বা অথুবা মতমদা খঙদোক্লনবা সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌননবা হোৎনরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## হায় কোর্টকী ওর্দরদগী চহী ২১গী মতুংদা...

*লামায় ১গী মখা...* মনুং চলহনবীয়ু। মসিনা খুঞ্জাশিং অসিনা ষ্টেট পুলিসতগী প্রোটেক্সন অমসুং সিক্যুরিটি ফংবা ঙমগনি হায়দুনা হায়জখিবনি।

পি আই এল অসিগী প্রেয়র অসিমক হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চনা পীদুনা থা ৩ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা রেস্পোন্দেন্টশিংদা খঙহনখিবগী মতুংইন্না জোইন্ট সেক্রেটরি (হোম)গী নোটিফিকেসন নম্বর- ৯/৬ (১)/১০- হোম (পি এম জে) অসি থোকখিবনি।

হায় কোর্টনা পি আই এল অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল অশেম মোহেন্দ্রোনা লেপখি।

## রথ যাত্রাগী পাউজেল পীনরক্লি...

*লামায় ১গী মখা...* অমরোমদা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমদি ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম পি, ডা. আর কে রঞ্জননসু রথ যাত্রাগা মরী লৈননা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

## হিমন্ট বিশ্বা শর্ম্ম ঙসি...

*লামায় ১গী মখা...* পিপলস পার্টিগা ৱারী শানদুনা য়ানদবা পূন্নমক কোকহন্নবা হোৎনরি।

মণিপুরদা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টিশিং হোংদোক হোংজিন তৌবা লৈগদ্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট এসেমব্লিগী স্পিকরনা এম এল এ খরা দিসক্বালিফাই তৌখিবা মরম্না লৈঙাক্কী মওং মতৌদা অহোংবা খরা লৈরকপা য়াই। অদুম ওইনমক নেদা অমসুং এন দি এগী ফীভমদা মখল অমত্তগী অহোংবা লৈরোই। স্পিকরনা এম এল এ খরা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবনিনা অথুবা মতমদা মরক্কী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই। পূন্নমক অসিগী য়েংলগা হয়েংমক ইম্ফালদা চৎতুনা বি জে পি অমসুং এন পি পিগী ষ্টেট লিদরশিংগা উনরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মৈতৈ বোরি শাদুনা শেন্মীৎলোনবু...

*লামায় ১গী মখা...* মৈতৈ বোরি শাবা ফার্ম অমদা মতম খরা য়াওদুনা মৈতৈ বোরি শাবগী থবক নীংথিনা তম্লকখি। মহাকনা মৈতৈ বোরি শাবা হৈরবা মতুংদা মহাক্কী ময়ুমদা মৈতৈ বোরি শাবগী মথৌ তাবা মচল অমদি পোৎ-চৈনচিংবা হান্না লৈশিল্লগা থবক অসি পায়খৎলকপা হৌরকপনি। বোরি শাবদা মরু ওইনা চংলিবা মচলশিংদি শগোল হৱাই, জিরা, হিং, ফদিগোম মরু, মরোই নাপাকপী মরা, মরোই নপাকপী মনা, মরোই নাকুপ্পী অমদি অৱা ফদিগোমনচিংবনি। বোরি শাবগী মচলশিং অসি কৈথেলদগী লোয়না ফংই। বোরি শাবদা য়াম্না মরু ওইরিবদি শারবা মতুংদা নীংথিনা কংহনবা অমদি মৈরৌসু হেনজিনবা য়াদবসিনা তাঞ্জা মেনজা খঙনা শেন্নবীবা অমদি মথৌ তারি। খরাই মখাদা মৈ থাগদৌরিবা অদুসু মৈরী থোক্না চাকহনবা য়াবা নত্তে। মরম অদুনা মৈতাল মকুপশিং পাক শন্না ওল্লগা মৈ থারগা ফংহনবনি। নোংমদা মীওই অনীনা লেপ্তুনা থবক শুবদা মৈতৈ বোরি কে জি ১০ রোম শাবা ঙম্মী হায়রি।

মহাক্না শারিবা বোরি অসি হেক শেম শাবা লোইবগা নোংঙানবগা পেকেটতা হান্দুনা য়োনবদা লোইনা শীৎলি। মরু ওইনা গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা থাদোকপদা নত্তনা সেকমাই, মহারাবী, অৱাং পোৎশংবমনচিংবা মফমদসু থাদোক্লি। মৈতৈ বোরি অসি মণিপুরদগী মপান লমদা কলচরগা মরী লৈনবা শো উৎপা চৎপা মীওইশিংনা পুন্না পুন্না লৈরগসু পুখি। মৈতৈ বোরি শাবা অসি মীয়ামগী দিমান্দ য়াম্না লৈ। অদুবু পীবা ঙমদবগী ৱাদনি। হৌজিক ফাওবা লোন অমত্তা লৌবা লৈতে, লৌফমসু খঙদে। লোন তান্নবীনবা অমদি চেন চোংবীনবা মীসু লৈতে। মহাক্কী ৱার্কসোপ অসি খরা চাওথোক্লগা অমদি মী খরা হাপ্পলগা শেন্থোক লৈনা পুথোকপা পান্মী। অদুবু শেল-থুমগী খুদোং চাদবা লৈবনা থবক অসি মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদনা লৈরি। হিরম অসিদা মশানা মশাবু থবক পীজরিবা মীওইশিং অসিবু মণিপুর লৈঙাক্না গ্রান্ট য়াওবা লোন অমত্তা পীবিরগদি পোথোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন চাওখৎহনবগা লোয়ননা মীপাল তাংদনা হিংনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হৌজিক মহাক্না ময়ুমদা মচাশিংগা লোয়ননা পুন্না মৈতৈ বোরি খরা শারগা য়োনবদা থা অমদা লুপা ৯,০০০ নত্রগা ১০,০০০দি লায়না ফংবা ঙম্মী। অদুবু ইমুং-মনুংগী অৱাৎ-অপাশিং মেনশিনখিবদা পোথোক অসি হেন্না মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদনা লৈরি। মরম অদুনা লমদম অসিগী থবক শুনিংবী তোঙান-তোঙানবা শীন্থারোইশিংগী অৱাৎ-অপাশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা কোয়না চৎতুনা য়েংবীরগা পীবীরগদি লমদম অসি মীপান তাংদনা হিংবা খুন্নাই অমদি ওইবা ঙমগনি হায়খি।

## স্কুলশিংনা এপ্রিলদগী জুলাই ফাওবা ফী লৌরোইদবনি : এদ্যুকেসন...

*লামায় ১গী মখা...* অসিগী মতুংইন্না এপ্রিলদগী জুলাই ফাওবা মহৈরোয়শিংদগী ফী লৌবা য়ারোই। ওজা অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফ পুন্নমক্কী তোলোপ পীগদবনি। করিগুম্বা মাঙজৌননা ফী লৌশিনখিবা তারবদি মতুং তারকপা থাশিংগা এদজষ্ট তৌগদবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এদ্যুকেসন (এস)কী কম্মিস্নর টি রঞ্জিৎনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না প্রাইভেট অমদি এইদেদ স্কুল পূন্নমক্না চৎলিবা একাদেমিক সেসন অসিগী ওইনা মহৈরোয়শিংদগী এদমিসন ফী লৌবা তারবসু এপ্রিলদগী জুলাই ফাওবা ট্যুইসন ফী লৌরোইদবনি। মহৈরোয় ২০০ য়ৌনা তমদবা স্কুলশিংদা থবক তৌবা ওজা অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফকী তোলোপ চাদা ৫০ লোকদাউন লোইরগা পীগদবনি। মহৈরোয় ২০০দগীনা ৭০০ ফাওবা তম্বা স্কুলশিংনা ওজা অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফকী তোলোপ চাদা ৫০ পীগদবনি। মহৈরোয় ৭০০ হেন্না তম্বা স্কুলশিংগী ওইনদি ওজা অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফতা মপূং ফাবা তোলোপ পীগদবনি।

প্রাইভেট স্কুলশিংনা ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অসিনা হায়, লোকদাউন মনুংদা মহৈরোয়শিংদগী ট্যুসন ফী লৌবা অমসুং ষ্টাফকী তোলোপ পীবগী মতাংদা দিপার্টমেন্টনা মে ২০দা চেরোল অমা থোক্তুনা মপূং ফাবা ষ্টেটমেন্ট অমা মে ৩০ ফাওবদা পীরক্লবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা খঙহনখি। মে ২৯দা য়ুনাইটেদ এসোসিএসন ওফ রেকগ্নাইজ স্কুলস ওফ মণিপুরগী কনভিনরনা অইবা চেরোল অমা পীশিল্লক্তুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মপূং ফানা লাকশিল্লবা মতুংদা নৎত্রগনা স্কুলশিংদা হাংদোক্লিবা ক্বারন্টিন সেন্টর পূন্নমক মথৌ লেপখ্রবা মতুংদা মপূং ফাবা ৱারোল অমা পীনবগী খূদোংচাবা ফংহল্লু হায়রকপা লৈখি। পূন্নমক অসিগী য়েংলগা জুন ৮ ফাওবদা অইবা চেরোল পীরক্লবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা প্রাইভেট স্কুল অমত্তনা এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টতা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। ষ্টেট অসিদা প্রাইভেট স্কুল ১,২০০ রোম লৈবগী মনুংদা স্কুল ৮০০ হেনবনা লৈঙাক্কী য়াথং থৌশাদবা মওংদা অতম্লনা অইবা চেরোল পীশিল্লকখিদবনি হায়বগী খূদম ফংলে হায়রি।

মরী লৈনবশিংগা কয়ারক হন্না মীফম পাঙথোক্তুনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবা লৈখ্রে হায়না পল্লদুনা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওর্দর অসিনা হায়, লৈবাক্কী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা প্রাইভেট অমসুং এইদেদ স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংগী এদমিসন ফী লৌবদা অকায়বা লৈতে হায়না লেপ্পরে। অদুম ওইনমক চহী অসিগী মার্চ থা খক্তমক ফী লৌরগা এপ্রিলদগী জুন ফাওবা থাগী ফী লৌবা য়ারোই। লোকদাউননা মরম ওইরগা স্কুল পূন্নমক থোঙ লোনখিবা তারবসু পান্থে অমা নৎত্রগা অমা শীজিন্নদুনা মহৈরোয়শিংদা তাকপী-তম্বীবগী থৌরাং খরা লৌখৎনবা হোৎনফম থোকই। মরী লৈনবা পূন্নমক্না লৈঙাক্কী ৱাফম অসি থৌশাদবা তারবদি এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টতা ৱাকৎলক্কদবনি হায়নসু ওর্দর অসিদা ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা, প্রি-নর্সরিদগী ক্লাস ফাইব ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং লোকদাউন মনুংদা ওনলাইন এগজাম তৌদনবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা খঙহনখ্রে।

কম্মিস্নর এদ্যুকেসন (এস) টি রঞ্জিৎনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক মণিপুরগী গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট স্কুল খরদা প্রি-নর্সরিদগী ক্লাস ফাইব ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিং ওনলাইনদা এগজাম তৌরে হায়বগী পাউ ফংলে। মার্চ ১২দা লৈঙাক্না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না স্কুল পূন্নমক থোঙ লোন্দুনা লৈরকখিবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লোকদাউন তৌখিবনা মহৈরোয়শিংগী একাদেমিক কেলেন্দরদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা প্রি-নর্সরিদগী ক্লাস ফাইব ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী পূক্নিং ৱাখলগী খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। মরম অদুনা নৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক ওনলাইন এগজাম পাঙথোকপা হায়বসি অচূম্বা থৌওং নত্তে। লোকদাউন মনুংদা ওনলাইন এগজাম পাঙথোকপা খূদক্তগী অথিংবা থম্বগা লোয়ননা কনাগুম্বনা অথিংবা অসি থৌশাদবা তারবদি লৈঙাক্না অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়রি।

## নেসনল হায়ৱে-৩৭তা দ্রেন নীংথিনা শেম্বীদবনা লম্বী ময়াইদা...

*লামায় ১গী মখা...* নাকলদা লৈরিবা ইরম-নালা অদু নীংথিনা শেম্বীদ্রবদি নোংজু পন্থাদা লম্বী অদু অমুক শলাক শারকপা মশানা তাবনি।

লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা খুঞ্জা অহল খরনা ফোঙদোরকপদা, ইম্ফাল জিরি লম্বী অসি হান্না বি আর টি এফনা থবক পায়রম্বদগী হৌজিক এন ঐচ আই দি সী এলনা অমুক লম্বী অসি পায়রকপদগী য়াম্না ফরে হায়না খল্লুরবনি। অদুবু মখোয়না লম্বী শেম্বীবা মতমদা দ্রেন য়াওনা শেম্বীদবনা দ্রেনশিংদা অমদি লোক্কী ঈশিং চেন্থফম ওইরিবা উকুশিংদা নুঙচাকশিংনা ফুঞ্জিনবা মরম্না চীংদা নোং খরা কন্না হেক তাবদা লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা দ্রেনশিং ঈশিং চেনফম লৈতদুনা লম্বী ময়াইদা ওইনা ঈশিং চেল্লে হায়রি।

দ্রেনদা ঈশিং চেনবগী মহুৎতা লম্বী ময়াইদা ওইনা চেল্লবনিনা লম্বীদা খোঙনা চৎচবা মীওইশিংদা গাড়ীনা ঈশিং কাপশিল্লম্বদগী খৎন-চৈনবসু য়াওদবা নত্তে। লম্বী অসিদা গাড়ী মচা অমদি হেভি ট্রকশিং নোংমা-নোংমগী মশীং হেনগৎনা চেল্লক্লি। অদুবু লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা দ্রেনশিং নীংথিনা শেম্বীদবনা অমদি লম্বী ময়াইদা ঈশিং চেল্লকপা মফম খরদনা লম্বীদা ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈবদগী লম্বীগী কোইলাসশিং ফক্কায়বা য়াম্না য়াওরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লম্বী শেম্বা মতমদা লম্বীগী মপাঙ্গলসু লৈনবা লম্বী শেম্বদা দ্রেন য়াওনা শেম্বীয়ু। লোয়ননা য়াম্না তোইনা লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা দ্রেনশিং অমদি লোক্কী ঈশিং চেন্থফম মপাদা আর সী সীনা চল্লগা শারিবা উকুশিং অসি চীংদগী চেন্থরকপা নুঙচাক ময়াম্না ফুঞ্জিনবদগী ঈশিং চেনফম লৈতদুনা লম্বীদা ঈশিং তুংলিবা অসি তুংদনবা শেংদোকপা য়াম্না মথৌ তাই হায়রি।

অমরোমদা, লম্বীদা চৎলিবা গাড়ী দ্রাইভর খরনা ফোঙদোরকপদা হায়ৱে অসি হান্না বি আর টি এফনা থবক পায়রম্বদগী এন ঐচ আই দি সী এলনা থবক পায়রকপদগী খরদি ফরুরবনি। অদুবু লম্বী শেম্বদা লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা ইরম-নালাসু য়াওনা শেমহন্নিংই। লম্বী অসিদা নোংমদা গাড়ী ৪০০/৫০০গী মথক্তা হেভি ট্রকশিং চৎপা মরম্না দ্রেন নীংথিনা শেম্বীদ্রবদি লম্বীগী মপাঙ্গলসু য়াম্না ৱাৎলক্কনি। নোংজু থা মনুংদা লম্বী শোকপগী চাংসু য়াম্না হেল্লি। থা অসিগী ২০গী অহিং নোংয়াই মতুংদা কোটলেন্দদগীনা কে সিনাম মনাক্তা মিটর ১০০ রোম শাংনা লম্বী শেৎথখিবদগী ঙসি ফাওবা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী ফাওনদনা লৈরি। হৌজিক লম্বী অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পোৎ পুবা ট্রক অমদি অহাঙবা ট্রক ৫০০/৬০০কী মথক্তা লমখাঙদা পন্দুনা লৈহৌরি।

জিরিবামদগী পোৎ পুদুনা চঙলকপা ট্রকশিং কিলোমিটর অনীরোম শাংনা কে সিনাম খুল লানবা য়াদদুনা লমখাঙদা পন্দুনা লৈহৌরি। ইম্ফালদা পোৎ থারল্লগা অমুক জিরিবাম তম্না লাকপা ট্রক অহাঙবা ১৫০ রোমসু কোটলেন্দ অমদি কে সিনাম খুল য়ৌরমদাইদা লম্বীদা চৎপা য়াদদুনা লমখাঙদা পন্দুনা লৈহৌরি। নোংজু থাগী মতম ওইবনা লম্ফাংদা তুম্বা-চাবা তৌবদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহৌরি। মনাক নকপা মফম অদুদা দুকানসু লৈতবদগী গাড়ীগী হেন্দিমেনশিংনা খোঙনা লাপ্পা চৎলগা চেঙ, হৱাই, থাউ, থুম, আলু, মোরোক্লচিংবা লৈরুবগা চাক থোংদুনা চানবা থৌরাংসু তৌবা য়াওহৌরি।

অমরোমদা, এন ঐচ আই দি সী এলগী মচীন চৎপা ওফিসল অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা অরৈবা মেন পাৱর শীজিন্নদুনা নুমীৎ হুম্নি নৎত্রগা মরিনি ফাওবগী মনুংদা লম্বী ফাওনবা হোৎনগনি। অদুবু নৌনা লম্বী কক্কদৌরিবা চীংমায় অদু নুঙজাও লৈবা মফম ওইবনা থবক শুবদা খরা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমহৌদে। তঙাইফদবা মীওই খরদি খোঙনা চীংমায়দা লান্থোক্লবা চৎপা য়াওনহৌরি।

## গোবিন্দজিগী কাং...

*লামায় ১গী মখা...* গোবিন্দজি লম্পাক্তা পাউমীশিংগা উনবদা বুংবা মাইবমনা হায়খি, চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা গোবিন্দজিগী কাং চিংবসি হৌজিক কোভিদ-১৯গী ফীভমসি য়েংলগা লাইগী থৌরম খক্তমক পাঙথোক্লগনি। মীয়াম্না লাপ্না খুরুম্বীয়ু। ইঙেনগী ৯নি পানবদা লক্ষ্মী কৈথেল কাবা অমদি কাংলেনগী কাং চিংবগী থৌরমসু পাঙথোক্লরোই। মীয়াম তীন্দুনা থৌরম পাঙথোকপগী খুদোংচাবা লৈত্রে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগী পান দমদা হোৎনবনি। মীয়াম্নসু ৱারৌবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা পোরোম্পাৎকী এল ও দি, এম বিনোদকুমারনা হায়খিবদা, লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি মালেমগী ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা লৈকায়-লৈকায়দা কাং চিংবীগনু। লাইগী ওইবা থৌরম খক্তমক পাঙথোকপীয়ু। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা, গোবিন্দজিগী ওইনসু মীয়াম তীন্দনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। লাই খুরুম্বা লাকপা তারবসু চঙবা য়াররোই। মাস্কনচিংবা উপ্পীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দকী সেক্সন ওফিসর এম বোরিসসু শরুক য়াখি।

## শেল পায়বশিংনা ভর্মি কম্পোষ্ট পুথোক্লবগী মতাংদসু মীৎয়েং...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়ননা কেমিকেল ওইবা হার য়াওরবা চীঞ্জাক চাবদগী থোকহল্লক্লিবা লায়না কয়াদগীসু ঙাকথোকপা ঙমগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মীওইবনা কেমিকেল য়াওবা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া চাবদগী লায়না কয়ানা নাহল্লক্লে খঙনা-খঙনা ঙসিসু কেমিকেল য়াওদবা চীঞ্জাক চানবা অমদি পোৎথোক পুথোক্লবা হোৎনদ্রি। করিগুম্বা লৈঙাক্না লমদম অসিদা লুপা ক্রোর ৩০০ থাদদুনা মফম ১০০দা ভর্মি কম্পোষ্ট পুথোক্লবা হোৎনবিরবদি ষ্টেট অসিদা মথৌ তারিবা হার পুথোকপগা লোয়ননা মপান্দা ফাওবা থাদোকপা ঙমগনি। লোয়ননা থবক ফংদনা লৈরিবা নহা কয়াসু থবক পীবা ঙমগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৭২দগী ষ্টেট অসিদা কেমিকেল য়াওবা হার শীজিন্নদুনা পুথোকপা চিঞ্জাক কয়া চাদুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা ১৯৭২গী মমাংদা অমদি মতুংদা পোকখিবা অঙাংশিংগী হকচাংগী ফীভম নৈনরুবদা শোয়নাইবা অঙাং পোকপগী চাং ১৯৭২গী মতুংদা পোল্লকপা অঙাংশিংনা হেল্লি হায়বসি চুম্লবা ৱাফম অমনি। অসিগুম্লবা মাঙজবা কয়া অসিদগী মীওইবা খুন্নাইবু কলহৌনবা অমসুং মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা ওর্গানিক ভর্মি কম্পোষ্ট মরাং কায়না পুথোক্তুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পুথোকপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

লৈবাক অসিগী লৈঙাকপশিংনা ঙাইহাক্কী নীংলক-নীংলকপা থবক তৌবগী মহুৎতা তুং কোয়না চৎনবা য়াগদবা মওংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎহন্নিংই। লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা থেংলবসু থেংনা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপা তঙাইফদ্রে। য়ুরিয়া অমদি তোঙান-তোঙানবা মখলগী কেমিকেল য়াওরবা হারশিং শীজিন্নদ্রবসু ওর্গানিক ওইবা হার শীজিন্নরগা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি। শুপ্পগী হৌরকপা মতমদা চহী অমা-অনী হোৎনবদি মথৌ তাই।

হরাউরৌদা শেমগৎলিবা ভর্মি কম্পোষ্টগী ফার্মদা হার টোন ৩০০০ চহী খূদিংগী পুথোক্লবা প্লান তৌখি অদুবু মতিক চাবা শেনফম ফংখিদবনা হৌজিক্কী ওইনা শুপ্পগী টোন ৫০০-৬০০ তি পুথোকপা ঙল্লি। লমদম অসিগী অইং-অশা অমদি লৈহাওগা য়ুরোপকী ফ্রান্সতা ফঙবা এসেনিয়া ফেটিদা হায়রিবা তিনথ্রোক মখল অসিগা য়াম্না চান্নবা ওই। হায়রিবা এসেনিয়া ফেটিদা হায়রিবা তিনথ্রোক মখল অসিনা কম্পোষ্ট মরাং কায়না পুথোকপা খক নত্তনা মরুম য়াম্না কোকপা ঙম্মি। তিনথ্রোক মখল অসিনা মণিপুরগী ওইনদি শম্থি চাদা ২৫, চরু ২৫ অমদি লেমহৌরিবা চাদা ৫০ না লমদম অসিদা ফংলিবা মেদিসিনল প্লান্টশিংগী উনা-ৱানা মখল ৩০ হেন্না পীজবনা য়াম্না ফবা হার মখল অমসু ওইরি। লমদম অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী থোরক্লিবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ, উনা-ৱানা কয়াগী ৱেষ্ট টোন ৮০, মার্কেট ৱেষ্ট কয়া, তুরেল-পাৎশিংদগী থোক্লকপা নাপীশিং অমদি ফুমদিনচিংবা ৱেষ্টশিং ভর্মি কম্পোষ্ট শেম্বদা শীজিন্নরবদি হার মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি। লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি ফগৎনবা, থবক ফংদনা লৈরিবা নহারোলশিংদা থবক পীবা ঙম্নবা অমদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কেমিকেলগী চাং য়াম্না য়াওবা হু চেল্লবা চিঞ্জাকশিং চাবদগী অনা-অয়েক কয়া য়াওরক্লিবা অসিদগী কোকহন্নবা ওর্গানিক ওইরবা ভর্মি কম্পোষ্টগী অখন্নবা হার পুথোক্লবা হোৎনফম থোকই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।